*"করিগুম্বদা হিংবা হায়বসিমক থৌনা ফবগী থৌওংনি"*
*-Seneca*

## লিক্লা নত্তে পিরাংনি

**— ঙাংবম থবাতোম্বী**

অহিং লিক্লা নত্তে
নঙগী শাইজিন্দা তারক্লিবা,
খাংঙুথক্তা পিখম্নখ্রবা
শিঙম নাঙমদ্রবা থৱায়শিংদুগী,
মিৎলু পিরাংনি তপ-তপ শীন্থরক্লিবা।
লানবানবা ঙল্লোইদবা লৈরবদি
করিগী য়ৈরুরিবা লানবুংদি,
নোং ঙানখিরোইদবা অহিং চবুকসিদা
করিগী হৌদোকপীরুরিবা,
মোনখাংনজরিবা থৱায়শিং।
অপীকপা নাওৱাশিংগী
লৈনাগুম থোৎলবা হকচাংশিংনা,
উক্রোং মথক্তা য়াতারি
নীংথম চৈনা মরক্তা,
নীংশা শ্বর ফুইনা হোল্লদুনা;
অরানবা করিনো উজদ্রিবা
তরু-তরুবা অমুবা মমিৎ নহাশিংদা
অকিবগী শাহুম ফংলদুনা
মিৎলু থন্না ইরা হৌরি!
মচাগী হাকন্দা কৈ অমোমগুল্লবী
থৌনা ফবী মমানা
য়েক্লবগী খূবাম্লুংদা চনখিবনা;
পেবেৎ মপী ওনসি ওনঙমদা
থৌনা ফুদোক্কে খনবসু
মথানুংগী নাওৱানা
মালেমদা তাখিগদ্রা পাখৎচবনা,
থম্মোয়নুংগী অৱাবতনা
পুঙমদ্রবা পোৎলূম কোকথোংনববু
উনা-উনা নাথৈবদি,
ওন্থগনি কিবরা অৱাংবা ফম্বালদগী।
নঙগী নরেংবান্দা তোংলিবা
নঙগী নপাল নচুমতবু চাজবা
মী মানবা মীতম্বালশিংনা
ঠিকা বিল ফংলবগুম
মী লল্লোল্লি মী মরক্তা লুপাগীদমক!
অকনবা য়াথং লাউথরি
খূৎশেমগী মায়খুম উপ্লদুনা।
অৱাবনি মীওইপোক
অঙকপনি নোংদমখোল
চমহল্লোগবা হে! লুপাগী মতিক ময়াই।

## লাইমক্তি নত্তবনিনা

**— এল বীমোলচান্দ**

ঐখোয়'ই লুচিংবদি চেপ্লি
তূম্ব' নত্তে বিভুলা কোকথোংনরি
ৱাহে অমা... মীচৈ চান্মা
খনগদবা কিরে খল্লোইসু য়াদে
তূমদনা মঙলাক্লরি ঐখোয় নিংথৌ।
মপান ফরিঙৈ মাতনি শোন্নরিবা
বন্দ-ব্লোকেদ লৈহন্দবা হৈ
চীংদা চৎকে মঙন্মী, খুঙ্গং চৎকে মনিংনি
কুইদে-থাংজ লাইনা চাখ্র মাল্লে
তৌরু-ঙাঙলু পূম্বা উৎতা ঘী হৈগুমখ্রে।
থীক নেম্বনা থা লাম্লুবরা
মনানা হৈমাং শাখিবরা
উ'ই মহুৎ কেগেনা শিনখিবরা
হায়জ'-নোঞ্জ হেনমনখিবনরা
মপু'ই মনাই অচানবা ওইখিদ্রে
হুরানবনা হুরানবা ফাখ্রমাল্লে।
লাইমক্তি নত্তবনিনা করম্না পেলহনগনি
লাইমক্তি নত্তবনিনা খূৎ থাবসু য়াদবনি
লাইমক্তি নত্তবনিনা লাইগা করম উনগনি
লাইমক্তি নত্তবনিনা করম্না ৱারীনরুনি,
খঙদ্রে-মুৎলমদাই থাউমৈসিসু ঙানমনখ্রে
মমখিবনসু ফরব্রা মীৱা লায়থুং পক্তনবা।

## ফোঙবা লোইদ্রিবা পাউখোঙ

**— কোঞ্জেংবম লেম্বা মৈতৈ**

ফোঙবা লোইদ্রিবা পাউখোঙ
কেকু লোৎতুনা লৈহৌরে
তাবুনুংদা মথন্নতা
লোম্হোক্তবা উকং অমগুম
লাংবনগী মৈশা মরক্তা
তেংথাখোলগী মরুমদা হিক্লা-হিক্লা।
লৈরাং লৈবাক লৈগা পাঙ্খক্লি
লাইবক চাউবী মহাক্তি
মালেম শেৎনা লৈশাৎ তমজরম্বা
শিঙেল নাপ্পদা লৈথেৎ ওইদা
মীকুপ্তা শাৎচবী অমগুম
কেকু লোৎতুনা মহাক্তি।
খম্নুংশৱাবু কিবনরা
পাউখোঙবু কেকু লোৎলিবা
অচুম্বমকপু থুপ্লিবা
শারংগী কৈজেংলাংবু মায়োক্লরিবা
মায়খুম কুপ্লা য়াতারিবা
কৈশুমশঙ মাগী কোরোম্থক্তা।
নূঙগা য়েরুমগা কাওনরে
অথোইবমকসু খঙঙমদ্রে
হুরানবনা খূৎয়েক মপু ওইরে
লুরেন্দা নাপীসু হৌররে
চরৈ অনৌবা পাম্লুবা
হুয়েল লানফম ওইররে।
খূবাকসু লা...ই চৎলরে
থম্বালমকসু খোইমু ইন্দ্রে
ময়া কবাক খন্না
খূবাক য়াইরি লেংনা
হূইবুরোই শরোই খাংলসি
পাউখোঙদুগী কেকু ওইনা।

## মুৎশি মুৎশিনা উরকখি

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐগী অবোক্কীদি মন্দোমচানি
মমাগা হেক পোকমিন্নবা
অবোক লাইকঙবিদো, নহাকপু উহৌবরা
ঐদি উহৌই, লাইকংবমদা ওংই
হায়দুনা লাইকঙবী কৌই।
নুমিৎ খুদিং লাকপসু নত্তে শোলি-শোলি
মরক-মরক্তা চৈশু অমা শুরদুনা
মখ্বাংদা খ্বাংচেৎ অমা লাকশিন্দুনা
মখূৎতা অঙাংগী ঙামোক খরসু পায়
ঐখোয় অবোক্কী মমিং কৌর-কৌরদুনা।
অয়ূক্কী চাকলেন অমগীদমক
নুমিৎ কয়ানি চারুদ্রবগী
তুংদনো হায়বসু খঙদে
মমিৎ অদো কুশিৎ কুৎলে
অহল ওইরকপগী উনশা অদুসু খুইরে
মঞ্জুনরবা ফিজেৎনা মাগী লৈতেং ওইরি
চহীনা নম্বো পোরবা অহল অদো
ঙসিদি উখিদরে অমুক হন্না
মহাক্কী তাইবঙ লীলা লোইখ্রবা মাল্লে।

## মান্নে খুদিংমক

**— রাজকুমারী মীনা**

অশেংবা ৱাখলদি থম্মোয়বু শেংদোকই
অফবা থবক তৌরম্বদি মীয়ামগীনি
মপোক-মপোক খুদিংদা য়াইফবা পীরম্বনি
শেম্বীবা মপু মাগী লেঙদ্রবা থৌজালনি
ধর্ম্ম খুদিংমক্কী পন্থুংফমদি অমখক্তনি
মপু মাবু নীংজবদি উজবা ফংবনি মাগী মগুণ
মীপূম খুদিংমকপু ইকায়খুম্নদুনা চৎকদবনি
অচুম্বা হায়বদুদগী হেন্না ৱাংবা লৈতে
মরাল লৈরবা কনানা মনীং তম্না চৎপা ঙমদে
পাঙথোক্লিংবা থবক পাঙথোকপা ঙমদে
মপুদি জীব খুদিংদা য়াওদুনা লৈরিবনি
 মাগী-মাগী লেঙদ্রবা শকউদবা আত্মাদুনি
পূম্নমকপু নুংঙাইনবা তৌবনা অথোইবনি
মপু মাবু পুজা তৌবগা চপ মান্নে
অতোপ্পবু মাঙনবা ফত্তনবা তৌরোইদবনি
ফত্তবা তৌবদুদি মপুদা পাপ লংশিনবনি
অশাদি অহোংবা মিৎকুপ খুদিং
অখুবা মিৎয়েংদি মঙলানগী পান্দমনি
তিঙ্খং তুম্নৌগী লম্বেলদা য়াওল্লিবনি
হিংদুনা চৎলিবনি মতোমতা মতম চূপ্পদা
ঙান্দুনা লৈবনি মহাক্তি নুংঙাইদুনা ঈংনা
তোঙাল্লি মীওইবা ঐখোয়না জীব পূম্বদগী
খন্থবগী শক্তি লৈরি ঐখোয়দা অচুম-অরান।

## পূক্লিংগী ৱা (৪)

**— নন্দলাল রোয়**

থাদোক্তুনা চৎলসিরা খঞ্জরুবখক্তনি
থাদোকপদি ঙমজদে ইমা কংলৈপুঙ
চৎলুনি কৈদা চীংলোন লান্না
চেক্লা পাইরুরগা পোম্বী হঞ্জিল্লক্লেদো।
কিন্থখ্রবা ইমাগী অৱাবা শক্তম্লি
মৈতৈ শিরে হিংনা শিরে
মীতম্বালগী অঙাংনা মাইবা শাবদা
মোংফম্না থল্লে ইমাগী তম্পাক।
অহোবা উক্রোংনি মাঙখ্রবা আশানি
খঙদে কৈদৌঙৈ য়েন্নিং হুনগনি
নতম্বাক্তা অসুম কপচবা নত্তনা
ইমা নচাগী পাম্বে লৈজদে।

## করিগী শোক্লি

**— নাওরেম মঙ্গি**

করিগী শোক্লি
পিরাংনা চামথোক্লবা লৈশিংদো
কৎকনু লৈরাং অমত্তা
পাপ চেল্লবা খূৎতুনা
থৌনা ফবশিংগী হকচাংদুদা।
  করিগী তেংথাশন্নরি
  পাঙদবা মীকিথি নঙনা
  অফবা শাদুনা মীরক্তা
  ওইরোইদবদা করিগী ৱাশক্লি
  হিংচাবীনা শরি শোনবগুম।
য়েংলুনু য়াতারিবশিংদো
শকফম কায়রবা হকচাংশিংনি
নঙগুম্বনা ওইঙল্লরোইদবা
লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা
অরংবা থৱান্মীচাক ঙাক্তনি।
  ওইয়ু নিংথৌ
  মীয়াম্না য়াদ্রবা লৈঙাক্কী
  কনানসু তানীংদ্রে ঙাঙলিবশিংদো
  ইকায়বা তম্মু মায়দু
  মীতৈ মচানি হায়নীংদে।

## ওল্লাংথাগী নুংশিবা

**— খাইদেম বোরসিংহ**

ঐনা ইনিংলকপা মতম
মানদি করিসু খঙজদ'
মাঙদা কাফেৎ কাফেৎ-চৎ
চেঙ লৈতে শেলসু লৈতে
ইমানা হায়রুগে হায়বনি
য়াচংবা মতুংদা
ওল্লাংথাদুদা।
তূম্বু তূম্নিংলক্লে ঐদি
মাগা ৱাখুম্নরুবা শরুক...
মতমদো কুইরক্লে
ৱারীদো শাংলক্লে
মাসু হল্লক্ত্রে
অমুক উখিদ্রে
ওল্লাংথা অদুসু!!

## নুংশি চান্ন হিংমিন্নবা

**— তোমচৌ শমজেৎশাবম**

নুংঙাইবদৈ থোইনা নুংঙাইবা
নুংশি চান্ন হিংমিন্নবনি
অথোইবা মতিক ময়াইনি
অমগা-অমগা নুংশিনবা
কাঙলূপ-ফূরুপ খায়দনা
নুংশি চান্ন য়াওদ্রবদা
কৈদা লৈগনি নুংঙাইফম
খ্বাইদৈ চাওখৎল মফম
মালেমগী লৈবাক অমদা
লৈরসু ফংলোই নুংঙাইবা
নুংশি চান্ন য়াওদ্রবদা
ওইরিবনি খোরিরোলনা
নুংশি চান্নবৈ হৌরকফম
খোরিরোল নেম্ল খুন্নাইদি
লম্বী চৎকুম্মী অমম্বদা
থেংজিন্নগনি অমগা-অমগা
য়ারোই নুংশি চান্নবা
নুংঙাইবদৈ থোইনা নুংঙাইবা
নুংশি চান্ন হিংমিন্নবনি।

# (অফস্পা) আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট অমুক হল্লকপা



**মতম মতমগী ৱাখল**

## মাখোনমনি মোংসাবা

***ৱাহৌদোক ঃ*** কুইরে তারক্তবা, (অফস্পা) আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট। ঐখোয়গী মীচমশিংনা কুইনা মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। মীচম কয়া এক্ট অসিগী চৈথেং ফংখি। সিফাইশিংনা প্রমোসন ফংখিবা, মথৌনা ফবগী মনা ফংখিবদু লমদমসিদা চহী কয়া লীশাং শিৎনা লৈখিবা অফস্পানা পীখিবা মনাশিংনি। লমদমসিবু লুখ্রাবীগী লৈপাক ওইহনখিবা, মীকপ মীরাওখোলনা ঙসি ফাওবা লেপহন্দ্রিবসি এক্ট অসিনা পীখিবনি। কুইদ্রি, এক্ট অসি মফম খরদগী লৌথোকপা হৌদুনা মীচমশিং নীং তম্না চৎচবা, ফংজরকখিবা। অফস্পা হায়রগা ঙসি নৌহৌননা ইরোম চনু শর্মিলাবু নীংশিংলকই। মহাক্লা চরা হেনখিবদু চহী কয়ানো ? মহাক অঙাওবীরা ? মহাকপু মীয়াম্না করি হায়না হায়নখিবগে ? মাগী মতুং কনানা ইনখিবগে ? মহাক্লা ইরমখি, ঐনা শিরগা ঐগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংসে কৌব্রু ইপাগী লৈশাদা তিলহনবীয়ু।

মতম খরগী মমাংদা লমদমসিদা লৈখিবা অফস্পাদি ভারতকী অৱাং নোংপোক মাইকৈ সোমদা লৈরিবা নহারোলশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা লালহৌখি হায়বগী নমথনবা নমাদা থমখিবা এক্টনি। ঙরাং নহান মফম মরাং ইখঙ- খঙহৌদনা অমুক হন্না লমদম অসিদা থমলক্লিবা অফস্পা অসিনা করিগীনো ? মসি ৱাহংনি। মতম অমগী লালহৌবগী অকনবা ঈরাং অদুগুম্না হৌজিক লমদম অসিদা লৈতে। অদুগা করিগী শাথিরবা এক্ট অমনি হায়না মীয়াম্না হায়নরিবসি করিগী লমদম অসিদা অমুক সেন্টরনা করি মরম লৈবগী থমলকখিবনো ?





ঐখোয়না ইখঙতা খঙনৈ মদুদি হৌজিক লমদম অসিদা কুকিশিংনা মীচমদা লেপ্তুনা খূৎ থারি। মখোয়বু সেন্টরনা শৌগৎলি। সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মখোয়গী মীচংদা লেপ্লি। মসিদা মখোয়না তৌনীংবতা তৌরগা লৈরি। ৱা য়াম্না শাংথদ্রগসু সেন্ট্রেল ফোর্সনা করি তৌরি, সেন্টরনা করি তৌরি লোইনা খঙনরবা ঙাক্তনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাহংদি ঐখোয়গী লৈঙাক করি তৌরি হায়বসিনি। লৈঙাক্কী মতাংদদি ৱা য়াম্না ঙাঙদ্রবসু মীয়াম্না লোয়না খঙনরে। চিনফা লোয়না পুনরে। তুংগী মীরোলনা ফজনা শোন্নহৌরগদবা অমনি। সনাগী ময়েক্লা ইহৌরগনি। কনা কনানা মন্ত্রি ওইখিবা, চীফ মিনিষ্টর ওইখিবনা কনা, করম্বা পার্টিগী মতমদা থোকখিবা, ফজনা ময়েক শেংনা লৈহৌরগনি। শোন্নহৌগদৌরিবসি অফবা শীংথাবা য়াবদা ওইরগদি ফগনি। মদুদি থোকলোইদৌরি। মতম চঙনা শাগৎখিবা লৈঙাক পাম্মুই, পজেং ফিরাল থেৎকে লাকপা কেতুকী উমংদা লমুক্লদৌরি।

লমদম অসিদা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবগী পুৱারীগী ৱারী ঐখোয়না খংঙি। ঙসি ফাওবা অৱাগী লান অদুবু নীংশিংদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থৌরম পাংথোক্লি। অৱা লান্দা অৱাশিংনা অপীকপা অঙাং নুঙপাক্তা হাইহৎলগা হাৎলি, ইমুংদা হোইজিল্লগা মোরোক মৈ থারগা হাৎলি হায়নৈ। অৱাগী চারোন শুরোল লৈরম্লি। ঙসিগী কুকিশিং অসি মখোয়গী মচা মশু ওইরম্বা তাই। মপা মপু, অৱানা তৌখিবগুম, মখোয়না অমুক নুপী অঙাংশিং হাৎলরি। চৌরজিৎ, মারজিৎ, গম্ভীরসিং, নরসিং, হিরাচন্দ্রনচিংবশিংনা অৱাবুদি লায়না তকখায়খি। ঙসিগী লমদমসিগী লুচিংবশিংদি মখোয়গী ঈ ওইরমদ্রে। ঐখোয়গী মীয়াম্নদি হৌজিকসু কুকিশিংগা তশেংনা লাম্থেংনদ্রি। লানবন ঙাকপদা ওইরি।

কুকিশিংনা মচিৎ মচিৎ হাৎলকপদা তম্পাক্কী মীচম ফনা য়াম্লে শিখিবা। তম্পাক্কী মীয়াম্না করিনো খঙদবা অমা ঙাইরিবসি কুইরে। লাল্লরোইদবা ঙাইবদি সামুএল বেকেটকী 'ৱেটিং ফোর গোদো' কি লীলাদনি। গোদোনা ঙাইবদি লাল্লরোইদবা কনাগুম্বা অমনি। ঙসিগী মীয়াম ঐখোয় লোইনমক, সামুএল বেকেটকী গোদো ওইবা তারিব্রা ? লৈঙাক অসিদগী ঐখোয়না ঙাইরিবসি কুইরে। ঙাইরিবসি করিনোসু ময়েক শেংদে। লৈঙাকসি লৈত্রবনিসু হায়, লৈতবা মফমদগী ঙাইরিবসিবু চুমলিব্রা ? অমুকসু লৈবগুম্না তৌরি ভুট প্রেটকুম্না। ঙাইরিঙৈদা নোংমা নোংমগী ফিভম শোকলক্লি। হৌজিক্তি পেমা নঙসু ঐসু পূমসি হায়বগী ফিভমদা লাক্লি। খন্নরগা লৈবসি কুইমল্লে, রেজলুশন অমা পূন্না লৌরগা থবক্তা ওন্থোকপা থেঙমল্লে।

***ৱারোয়শিন ঃ*** হৌজিক্তি ৱাকোয় ঙাঙবা, শাংথরগা খন্নদুনা লৈবসি কনা অমত্তনা তানীংলরোই। হৌজিক ঐখোয় করি তৌগদগে ? অসুক য়াম্না মীশি মীনা নংলিঙৈসিদা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট থমজিল্লক্লিবসিনা করম্বা লালোং অমনো সেন্টরগী পোলিসি, লালোং অমা লৈরম্বা য়াই। আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট অসি কুকিশিংনা চৎথরিবা লালোং অসিদা মতেং পাংনবা থমলকপনি হায়বসি চুমগনি। কুকিশিংনা তৌনীংবতা তৌরকপদা সেন্টরনা মখোয়গী মীচং চংঙি, সেন্ট্রেল ফোর্সেস ফাওবা মখোয়গী মীচং চঙলি, লোয়না ইখঙ খঙনৈ। মসিদা হঞ্জিন্না ঐখোয় খন্ন-নৈনবগী মহুৎতা লমদমসিগী মীয়ামগী অপূনবা ৱারেপ অমা লৌরগা নুপী লান ওইরবসু, য়োখোক লান ওইরবসু নৎত্রগা মরু চঙবা তৌগদবা অমা কুপ্না খন্নরগা লানফম অসি মায়োক্লবা নৎত্রগদি য়েক্লবনা খুদম চনখিদুনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী খোঙ্গুল মুৎখ্রগনি। মৈরাগী রেলি চৎপা, কেন্দল থানবা, বন্দ তৌবনা তম্পাক্কী মীওইশিংনা তঙাইফদনা ৱাকৎ ওইরগা লাকখিবনি। মীয়ামগী পূন্সি কনবা ঙমলকত্রবা ঙাকপী শেনবীগদবা সেন্ট্রেল ফোর্সেসশিংনা ঙাকত্রবনিনা হৌজিক্তি ঐখোয় ইশানা ইশাগী পূন্সি কনবা তারক্লি। খ্বাইদগী নুংঙাইতবদি-মীয়ামগী য়াইফনবা, মীয়ামগী পাউখোল্লোয়নি হায়না থাগৎখিবশিং, সরকার পায়খ্রবা মতুংদা মীয়ামগী খোল্লাও তারক্তবা, তূমিন্না লৈখিবা অসিমদি অঙকপনি। মণিপুর অসি মখোয়না মপুনি, মখোয়গী মখাদা মীয়াম্না লৈগদবনি হায়না খনবগুম্বগী শাজৎ অমা উবা ফংঙি। মসিদি তৌহৈদবা খলহৈদবনি। মীয়ামবু নোল্লুক্লা চৎপা অদু মতীক চাবা লুচিংবনি। মীয়ামগা উন্ননীংদবা, মীয়ামগী খোল্লাও তানীংদবা, অদুনা করম্না লুচিংবা মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইগদগে ? মসিবু অমুক তাক্লখিগদবা ৱাফল্লা ? মীয়ামগী পাউখোল্লোয়শিংনা লৈঙাক অমমম পূনগদবসি চহী মঙা মঙাখক্তগী ইলেকসন কম্মিসন্না পীবা সর্টিফিকেৎননি। লৈঙাক অমা হায়বসি চহী মঙাগী পূন্সিনি হায়বসি কাওখিবদগী মীয়ামগা মরি ফৎনরক্তবনি। খূদিংমক্তি নত্তে, মীয়ামগা নক্লা লোয়নবা, মীয়াম্না মরূনি খঞ্জবা লুচিংবসু য়াওরি অদুবু চগ্রিং অমনা মাংথোকপা য়াওরকপনা পূম্নমক্কী মায় খূবা ওইররি।

জিরি ঐখোয়গী লম্নি, চীংশাংসু ঐখোয়গীনি। জিরিদা ইমুং অমগী চমজরবা অঙাং নুপী তরুক পূল্লপ হাৎলকপদা খঙহৌদনা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরক্লি। অঙাং হাৎপা ঙম্বা মীতম্বালশিং অদুগী মথক্তা লমন খূমনীংদবা মী লৈরম্লোই। মতম কুইনা ফুমদুনা ওমদুনা লৈরিবা মীয়াম, জুন ১৮গুম্না খঙহৌ হৌরকপগী মতম অমা লৈঙাক্লা ঙাইবগুম্না তৌরি। মদু অফবা নত্তে। মীয়াম্না মচি মচিদা ঙাঙনরিবসি তাদবা করিগীনো ? নহান্না চোংথোকপা য়ারে। করিগী অসুক কুইনা তূমিন্না লৈবগে ? মসিরা মীয়ামগী পাউখোল্লোই ? সেন্টরনা লমদম অসিদা য়েংলিবা মিৎয়েং, লৌরক্লিবা খোংথাং কয়া অসি করিগী উনা উনা, খঙনা খঙনা য়ানিংঙি য়ানিংদে হায়বা ঙমদবগে ? অঙাং অমনসু, নুপীমচা অমনসু, ইমা-ইবেন ফাওবা য়াওনা মীচৈ থীনা থীনা চৈবা ঙল্লিবা, করেম্নরিবসি করি মরমদগীনো ? মমাংদা পানখিবা লৈঙাকপা য়াওখিবা কনাদা হৌজিক্কী ঙাঙনরিবা চৈরিবা মীচৈ অসি য়াওখিব্রা হায়বসি নৈনবা চুম্মী। এম কে প্রিয়োব্রত্ত, মাইরেনবম কোইরেং, অলিমুদ্দিন, আর কে দেরেন্দ্র, রিশাং কৈশিং মখোয়বু করম্না ঙসিগী মীয়াম্না শোন্নখিবগে ?

মতম কুইনা পন্নরুদ্রবা অফস্পানা লমদম অসিদা অমুক হন্না থমলক্লিবা, মসিদগী থোকলকপা মীকপ মীরাওখোল, অৱাবা কয়াগী পাউ অদু নুংঙাইনা ঐখোয় তামিন্নগদৌরিব্রা ? লূম্না লৌজ রিবা ময়াই লোয়শঙনা অফস্পাবু অমুক হন্না খুদোল ওইনা পীরকপদা করি ফাওবীবগে ? ঐগী ইমুং মনুংদা, ইশাদা থোক্লদ্রি হায়না ঐখোয় ঙাইবা তারিব্রা ? লানমৈ থানবী তোই তোই..। মসি অফবা ওইরোই। হৌজিক্তি চপ চানা ঐখোয় থেংনবা তারে। ঐখোয়গী ইরমদম ইরৈবাক ঐখোয়না ঙাকচবা তাবনি।। ●

---

**ৱারী ককনাউ**

# মতম কুইরবগী তুংদা-৪

বাথরূমদা মোহেন ঈরুজরি। মতম চূপ্পা শুংথা থাদোক্তবা মাগী ফোনদো কাউবদগীরা কৈনো মোন ময়াদা লৈ। মাগী নুপী থাজমানবীদু কিটচন্দা চাক থাংদোল্লক্লগা মাগী নুপানা শেৎকদবা ফিরোল লৌথোকপা মোইগী কাদুদা চঙলকপদা তাঞ্জাদুদা মোহেনগী ফোনদু কোল অমা লাকই। অহানবদা থাজমানবী মাগী তৌদৌদু অদুম তৌই। করম্বা মচুগী ফুরিৎকা করম্বা মচুগী খোঙ্গ্রাওগা চান্নগনি হায়দুনা খল্লি। কোলদু লোইখ্রগা অমুকসু তৌরকই। হন্দক্তি কনানো তৌরক্লিদো হায়না হায়রপ য়েংলুই, কোল তৌরক্লবদুগী মমিং ক্র কোল্লরদা চোংথোরক্লগা লৈরম্মী 'কাইকু' হায়না থারম্মী। অদুদা ফিল্ম কুম্বা হিরো কাইকুদু ওইরমাল্লে, মাগী নুপাগা কমাইনা খঙনরম্মীনো, নোংমতা মাগা তিন্নবগী ৱারীদি শাখিদেদা হায়না পায়খৎলি। হেক পায়খৎপগা 'হেল্লো' হায়ফাও নঙদ্রিঙৈদা নুপীগী খোঞ্জেল অমনা ফিংলপ-শাওরপ্পা ঙাঙথরকই।

"কৈনো ফোনগা পায়খৎত্রিদুনা, নতু লৈবরো? য়াম কিবরো? শোমদনা ঈ কানরে, ৱারী অরুবা অমা শাদৌবা লৈ, ঙসি উনদবা য়াদে" সিনিসে। ৱাতাদু তাবদা থাজমানবীদু শ্বাই হেক লাউই। মাগী শাওরক্লগা হেক-হেক ওইথংবা নারুমগী ময়াদা চেনবা শীংলি অমদা জিং লাউবা অমা ফাওরগা কোকচাউবী ফুং লাউনা কাবা অমা হেক-হেক তৌই। মদু তৌরকপগী ৱানিসে। অদুনা নুপীদুনা ৱা হায়রিঙৈদুদা থাজমানবীনা তকখৎলকই।

"হে নঙ কনানো? নঙনা তৌরক্লিবা ফোনসি কনাদনো, নম্বর চুম্নরব্রা?"

"সোরি, রোং নম্বর' হায়রগা ফোনদু শৎ লাউনা থমখি। থাজমানবী ফোনদুদা মুন্না য়েংই। ফাকৎলগা অমুক য়েংলুবদা 'কাইকু' হায়রিসিনা ফোন তৌরমবগী মমিং চোঙথোক্তুনা লৈরি। কোল হিষ্ট্রিদা চঙলগা অমুক য়েংলুবদা মাগী নুপাগা ঙাইহাক লৈতনা ৱারী শানবগী টাইমিং ফাওবা অমত্তা হেক চিংথদখৈ য়াওদুনা লৈরম্মে। থাজমানবীগী অশাওবগী মিটরদু করম্না লৈথগনি, হেন্না-হেন্না অশাওবগী কটাদু জররর-জররর হাইগৎলকই। ফমুংদা ঙেক লাউনা ফমথৈ, মথম্মোয়দা খল্লি।

"মসি নুপাসি কয়াদা মবুকচেল শেংখিদ্রবনো? কাইকু গাইনা ফোনদা সেভ তৌশিল্লগা, নুপী অমনা ৱা হায়রকপা, ৱাদুসু মতৈ-মনাও অমগী টাইপতগা ঙাঙবা, কয়ামুক য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরবনো? সিবু ঐবু তূমিন খাঙজিল্লগা লৈগদ্রা নৎত্রগা লান অমা শুংগৎসিরা? মীনা বোম থাদরক্লগা ঐনা সুম কোইচেন চেন্দুনা লৈগদ্রা, নৎত্রগা ঐসু খূৎ হল্লগা লানদু মায়োক্লগদ্রা?" মওন-মওন খল্লি। তাঞ্জাসিদা মোহেন মকোক্কদু তুম্মুবগী ইচোৎ-চোৎলগা টাৱেল অমনা মশমগদু নান-নান্দুনা মচিন্দা নুংশিরবা ঈশৈ অমগা ময়েক শেংফাত্তনা ঙংলগা কাদুদা চঙলকই। মাগী নুপীনা ফমুংদা শুক্তোল্লগা মঙোন্দা য়েংলগা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদখৈ য়েংবদুগা উবীবা পোৎ নত্তে। মিংশেল মমাঙদুদা লেপ্পগা পোজ তৌদুনা ঈশৈদু মথম্মোয় পেন্না ঙংলি।

"নঙবু অসুম নীংশিংদুনা লৈরে, মীকুপ অমা নঙবু কাউগে ঙমদ্রে, লমদম কৈদা চৎলগা ঐবু পোথাসিগে মীকুপ অমত্তং..." য়ারক্তা ঙংবা ঈশৈনি। মশমগদু থাউগা তৈরদনা শমজেৎতুনা পৈনা অমুক হাৎলি, য়ুংনা অমুক হাৎথৈ পোজ শেম্মী। মোহেনগী য়ারক্তা ঙংবা ঈশৈদু তূমিন্না ঈ তপ তাখৈ কারগা হাইগৎলগা ফম্মিবা থাজমানবীগী নাকোংদদি স্পিকর অফবদা ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক অমা তিংখৎতনা লৈখৎলগা খোংজিল্লকপদু ঙাই। নাকোং শেগাইদৌরে। মনাকোং হেক মেল্লগা খাঙই থাজমানবী। মোহেননা মখা তানা ঈশৈ ঙংন-ঙংনা মাগী নুপীবু কৌই-

"চাক থিরবো, ঐবু থেংঙেনে, মী উনদৌবা য়াম্না লৈনে"

হন্দক্তি থাজমানবী লুতোন শাৎখৈ শাওরে, ফম্লম্বদগী ফুক লাউনা হৌগৎলগা মাগী হৈনবী মখ্বাংদু মখূৎ অনীনা মেৎলগা শজি মীৎতা মানবী মীৎয়েংদু কদোমদা হুন্দোকখ্রবা খঙদে, শজিবু য়ৌশিল্লকপদা ওভরকোট লিৎলমদাইগী মতৌ মাল্লবা মমিৎতু তোংথোকখৈ য়েংলগা খংহাই হায়রকই- "কনা উনদুইবা?"

মোহেনদু ইনক নক্লা মাগী নুপীনা ভোল্যুমদু ফুলদা লৈখৎলগা হায়রকপদুদা খংপ্রেক হেক খংই।

"হো ইমা..., খংপ্রেক হেক খংই হে"

"কাইকু উনবা চৎতুইরা?" মোহেন খিতং চিংনবা হৌরে, মাগী ফোনদু কদোমদা লৈখ্রে হায়না নীংশিংই। ও মোন ময়াদা ঙসাই থনম্বনি হায়বা নীংশিংলগা মমিৎতু মোন ময়াদা য়েংলকই।

"কাইকু হায়সি কনানো?"

"কাইদৈ কাইকুনো তৌরক্লিসিনা"

থাজমানবীনা মবুক্তা য়েপশিনখিবা ফোনদু শৎ লৌথোক্লগা উৎলি।

"কাইকু হায়দুনা নুপী অমনা ফোন তৌরক্লিসি কনানো?

"ও অদুরো?" য়াম্না ঈংথরগা থেম্বা হৌরকই।

"মেঙথরক্কনু তানীংদে" থাজমানবীদি ভোল্যুম হন্থদ্রি।

"কাইকু কনানো হায়য়ু"

"মী ওফিসতা থবক তৌবা মীনি। মমিং খঙদে, অদুদা ঐনা মাগী নম্বরদু কাইকু হায়না থোক সেভ তৌশিনখিবনি।

"মানা ঙসি উনদবা য়াদে, অরুবা ৱারী অমা শাদৌ লৈ হায়সি করি ৱারীনো?"

"থিকাগী বিলগী মতাং ওইরম্বা য়াইনা, কদাই ফোনদু পীরকউ, অমুক্তা তৌগে করিগীনো হংগে। গভর্ণমেন্টনেনা তৌরিসিনা শেল শোৎকদগীদা তৌবা, কদাই"

"তৌ-তৌ" থাজমানবীনা ফোনদু পী। ফোনদু লৌরগা মোহেননা কাইকু হায়দুদা রিং তৌই। তৌরিবদু কাইকুদনি হায়বদু মোহেননা মাগী নুপীদা উৎলি। ফোনদু পায়রক্লে।

"কৈগীনো ঙসি উনদবা য়াদে হায়দুবো, করি অরুবা ৱারীনো?"

ফোনদুদা খুম্লক্লিদুদি থাজমানবীনা তাদে, তাদনবা মোহেন্না মমায় খরা লৈথোক্লগা ফোনদু মনাকোংদা তপ নপখৈ শানবা ৱারীনি। ফোনদুদা হায়রক্লিদুনা অমনি।

"নোই নুপীনা ফোনদু পায়রক্লিদু করিগীনো?

"ঐনা হায়সিদা খুম্মুনে, ৱাখল তাওনে, বিলদু করম কান্দা পীনি হায়নো? ওইরোইদৌ ওইরদি ঐ লাকপগী মথৌ তাদে, মী থারক্কে, ঐ থবক য়াম চিল্লি"। ফোনদু শৎ লাউনা থমখি। মতৌদুদা শাওরম্বা থাজমানবীগী দিগ্রীদু সররর হন্থরকখি। মাগীসি অশেংবা ওইরমাল্লে হায়না খল্লি।

"ঐ চাক খিত্তা চাখিগে, থিরম্মবা নৎত্রা?" মোহেনদু থুনা য়াঙনা কাদুদগী থোকখি। থাজমানবীদি পঙথরগা লৈহৌই। ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

---

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৩৬৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল মৈদিংঙু কোংয়ামবা। চকপা থোংজাও লালঙম লালথাবা। খোইনৌ মিয়ানু ফাবা ও। মিংথোল মিংকৌনখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু কোংয়ামবা। থোংনাং হাকথেংননা লানথেং লালয়ানবদি। চোয়নৌ সনা মিংলেল মিংথোলগা। থোইনা হেলনা চুশিননা চানবনে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ)-(꯳꯶꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯂꯉꯝꯂꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯀꯣꯡꯌꯥꯝꯕꯥ॥ ꯆꯛꯄꯥ ꯊꯣꯡꯖꯥꯎ ꯂꯥꯂꯉꯝ ꯂꯥꯂꯊꯥꯕꯥ॥ ꯈꯣꯏꯅꯧ ꯃꯤꯌꯥꯅꯨ ꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯌꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯀꯣꯡꯌꯥꯝꯕꯥ॥ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯍꯥꯛꯊꯦꯡꯅꯅꯥ ꯂꯥꯟꯊꯦꯡ ꯂꯥꯂꯌꯥꯟꯕꯗꯤ॥ ꯆꯣꯌꯅꯧ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯂꯦꯜ ꯃꯤꯡꯊꯣꯂꯒꯥ॥ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯦꯂꯅꯥ ꯆꯨꯁꯤꯅꯅꯥ ꯆꯥꯅꯕꯅꯦ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।